এনএসসিএন (আইএম)না সিএম ইবোবীদা এন্খুশ তৌবগী মতাংদা মত পীবা ঙনমল্লিঃ রিজেজু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ঃ২০১৫ এনএসসিএন (আইএম) নি হায়না চিংনবা কাঙবুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীদা এন্খুশ তৌখবগী মতাংদা করি থবক লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা মত পীবা ঙনমল্লি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজেজুনা ফোঙদোকখ্রে।

মন্ত্রীপুখ্রিদা লৈবা অসাম রাইফলসকী ইন্সপেক্টর জেনরেল (সাউথ) কী হেদ ক্বার্টরদা দিব্রালিগী থৌরম য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংনা হিরম অসিদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। হিরম অসিদা মখা তানা মত পীয়ু হায়বা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা য়াখিদে।

মণিপুরদা লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিং হায়বদি বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বিএসএফ), সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সিআরপিএফ) অমদি সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সিক্যুরিটি ফোর্স (সিআইএসএফ) কী অপুনবা দিৱালিগী থৌরম আইজি এআর (সাউথ) হেদ ক্বার্টর মন্ত্রীপুখ্রিদা পাঙথোকপা মতমদা মিনিষ্ট কিরেন রিজেজুনা শরুক য়ারদুনা হায়খি, মদুদি দিৱালি অসি অমম্ববু অঙানবনা জয় তৌবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু অরুনাচল প্রদেশতা কুম্মৈ অসিদা শরুক য়াবা অসি আর্ম ফোর্সেসশিংদা পুক্লিং থৌগৎপনি হায়বসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা অসাম রাইফল, বিএসএফ, সিআইএসএফ, সিআরপিএফ কী পার্সোনেলশিংদা খূদোলপোৎশিং য়েন্থোকখি। ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ) মেজর জেনরেল ভিএস শ্রীনিভাস, বিএসএফ কী সেক্টর কম্মান্দর শামু সিংহ অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্স মরিগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ফেকতা ওজা ওইবশিং লৌথোক্কদবনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ঃ

১৯৮৮ দা মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (এমপিএসসি) না লৌখিবা হায়র সেকেন্দরি লেকচররগী রিক্রুইটমেন্টতা য়াওখিদবা এমদি নিজামুদ্দিন হায়রিবা মীশক অসি ফেকতা ওজা ওইদুনা প্রিন্সিপাল ওইনা খাংশিলুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাপখিবদু মণিপুর সরকারনা চৎলিবা ওক্টোবর মনুংদা ওর্দর অদু কক্কদবনি হায়দুনা ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচররস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন্না খঙহনখিবা ৱাফম্বু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তুনা লৈরি হায়না মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসন অদুগী একজিক্যুটিভ মেম্বর মুতুম যাদুমনিনা হায়খ্রে।

শাজিন্নবা ওর্দর পায়দুনা প্রিন্সিপাল অমনি হায়দুনা জোইন্ট তৌখিবা লিলোংদগী নিজামুদ্দিনগী মথক্তা গভর্নমেন্টনা চপ চাবা এক্সন লৌখৎপীদবা তারবদি মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা চে থাদুনা খঙহল্লগনি। লোয়ননা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীদ্রে হায়দুনা ৱাকৎকনি হায়নসু যাদুমনিনা মখা তানা হায়খি। করিগুম্বা হায়রিবা ৱাফম অসিদা সরকারনা এক্সন লৌখত্তবা তারগদি অকনবা খোঙজং কয়া অমা এসোসিয়সন্না চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থাদৌ ইনপিনা আই এল পি শৌগৎলক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ঃ

মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লীনা বেঙ্গল ইষ্টর্নর ফ্রন্টিয়র রিগুলেসন ১৮৭৩ (ইন্নর লাইন পার্মিট) সিষ্টেম মণিপুরদা চৎনহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ থাদৌ ইনপিনা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোরক্লি।

বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগুলেসন ১৮৭৩ হৌজিক ফাওবগী ওইনা রিপিল তৌনবা লিত্রে। লোয়ননা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট ৩– নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা চৎনরি।

মরম অদুদা বেঙ্গল ইষ্টর্নফ্রন্টিয়র রিগুলেসন ১৮৭৩ মণিপুরদা চৎনহনবা য়ারোইদবগী মরম লৈতে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অদুগুম্বা রিগুলেসন অদু মণিপুরদা চৎনহনবদা থিংনবগী মরমসু লৈতে।

অদুগুম্বা রিগুলেসন অদু ত্রাইবেল নত্রগা চীংগী লমদম খরদা নত্তনা ত্রাইবেল নত্তবা মফম কয়াদসু চৎনবা য়াই। ত্রাইবেলশিংগী মফম ওইদবা কামরূপ, দরং, নৌগোং, সিবসাগরনচিংবা মফমশিংদসু হৌজিক চৎনরিবনি। মরম অদুনা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগুলেসন ১৮৭৩ মণিপুরগী তম্পাক লম য়াওনা মফম পুম্নমক্তা চৎনহনগদবনি।

ফেদরেসন ওফ রিজনেল ইন্দিজিসন সোসাইটিনা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগুলেসন ১৮৭৩ চৎনহন্নবা চহী ৮গী মমাঙদগী তকশিন্দুনা লাকখি। মদুদা কুকি ইনপি অমসুং ত্রাইবেল কম্ম্যুনিতি কয়া য়াওরি।

ফ্রেন্সনা পায়খৎলকখিবা আই এল পিগী খোঙথাংদা তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা মীফম কয়া পাঙথোকখিবসু লৈখ্রে। উখ্রুল, সেনাপতি, চুরচান্দপুর, টমেংলোং অমসুং চান্দেলগী মফম কয়া তম্পাক লমগী মনুং চন্দুনা লৈরি।

চীং অমসুং তম্পাক্কী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা অমত্তা ওইনা ষ্টেট এমেব্লীনা অনীরক হন্না ইং ২০১২ অমসং ২০১৩দা লৌখিবা ৱারেপ অদু য়েৎনবা লৈতনা চৎনহন্নবা য়ান্নখি।

ষ্টেট এমেব্লীনা লৌখিবা ৱারেপ অদু অহানবা ওইনা হোম মিনিষ্ট্রিদা থাগৎখি। ফ্রেন্সকী মতুংদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমনা মণিপুরদা আই এল পিগী ইহৌ শাগৎলকখি। ফিভম অদুদা ষ্টেট লৈঙাক্লা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগুলেসন ১৮৭৩ চৎনহন্নবা বিল পাস তৌখি।

ইং ২০১৫গী ওগষ্ট ৩১দা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুর পিপলস প্রোটেক্সন বিল ইং ২০১৫ (২) পাস তৌখি। লোয়ননা মরী লৈনবা মণিপুর সোপ এন্দ ইষ্টব্লিসমেন্ট সেকন্দ এমেন্টমেন্ট বিল ইং ২০১৫সু পাস তৌখি।

মতম অদুদা চুরাচান্দপুরদা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকপনা মরম ওইরগা মীওই ৯গী পুন্সি মাংখি। চীংদা লৈবা মীয়ামশিংনা বিল অদু এন্টি ত্রাইবেল বিলনি হায়না ফোঙদোক্লরকখি। তাঞ্জা অদুদা ইনিদয়াগী প্রসিদেন্টনা বিল অদু ৱিথহেলথ তৌদুনা থমখি।

চীংগী মীয়াম্না বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র ১৮৭৩ চৎনহনবদা য়েৎপা লৈতে। মদু চপ চাবা রিগুলেসন অমনি। চীং অমসুং তমগী মীয়াম মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংনা মশা কঞ্জনবা হোৎনবা হায়বদু তঙাইফবা অমসুং দাইত্ব লৈবা অমনি।

কাংলুপ খুদিংমক্লা তৌদবা য়াদ্রবা মথৌ অমনি। কবো তম্পাক ম্যানমারগী ফোরেন্নরশিংনি হায়না লৌরি। মফম অদু ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা য়াওদনা পীথোকখিবনি।

লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামশিং অদু অমুক হন্না মণিপুরদা পুনগনি হায়বগী থাজবা থল্লিবনি। মখোয়না মখোয় মশামক মণিপুরিনি হায়না খঞ্জরিবনি। পুম্নমক অসি য়েংলগা মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক্লা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগুলেসন ১৮৭৩ মণিপুরদা চৎনহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ অদু অথুবা মতমদা চৎহনগদবনি।

মদুনা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান–তোঙানবা কাংলুপ খুদিংমক থাজনবা, মান্নবা, নুংশিন্নবা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল হঞ্জিনহনবা ঙমগনি হায়না থাদৌ ইনপি জেনরেল হেদ ক্বার্টরগী প্রসিদেন্ট জেমস ৱাই টি থাদৌনা খোদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমেসগোগী থৌ পুরম্বা শমুঙৌগী লৈখিদবা ৬ শুবা চহীগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ORGANISATION
ngh
ETITION
TATION OF MANIPU

ইম্ফাল, ওক্তোবর, ৩০ঃ

ঙসি শিংজমৈ শৌগ্রাকপম লৈকাইদা লৈবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান্স ওর্গনাইজেসন (অমেসগো) গী ওফিসতা ওর্গনাইজেসন অসিনা শিন্দুনা হান্না ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরী, পব্লিসিটি অমসুং ইনফোর্মেসনগী থৌ পুরম্বা লৈখিদ্রবা ক্ষেত্রিময়ুম শমুঙৌ সিংহগী ৬ শুবা লৈখিবদবগী কুমওন পাঙথোকপগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসনগী মেমোরিয়েল প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২৫ রক শুবা মণিপুর পুলিস রাইজিং দে সেলেব্রেসনদা বেষ্ট পুলিস ওফিসারগী মনা ফংলকখিবা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্তর খুরাইজম বিরেন্দ্র সিংহ অমদি বেষ্ট পুলিস ষ্টেসনগী মনা ফংখ্রবা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী এসদিপিও মায়েংবম রোনি সিংহ অমদি ইন্সপেক্তর এন ইঙোচা সিংহবুসু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখি।

পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগী হৌদোকপা ওইনা থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদিস্নেল এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী থৌ পুরিবা ডাঃ সরাংথেম ইবোমচা, এমপিএসনা লুচিংদুনা মৈরা চুখৎলবা মতুং ওর্গনাইজেসনগী থৌ পুরম্বা লাইওইখ্রবশিংগী শকয়েক শক্তমদা লৈ–শু কত্তুনা থৌনিখি।

গ্রুপ ৩ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকখিবা স্পোট পেটিং কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিং অমদি কন্সোলেসন প্রাইজ ফংখিবা মহৈরোইশিংনদসু সার্টিফিকেট অমসুং শেলগী মনা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা আমেসগোগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রিটায়ার্দ জেদইও অমদি নেসনেল এৱার্দি শ্রী এন চাউবা সিংহনা থৌরম মপু ওইখি। লোয়ননা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর কে সুসিলা দেবী, ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমদি নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল এৱার্দ ফংখ্রবী ফৈরোইজম লন্ধোনি দেবীসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়া অমসুং নাগাশিং তোঙানবা কাঙলূপ ওইনা পুন্না হিংমিন্নগনি ঃ ভি হোরাম

দিমাপুর , ওক্টোবর ৩০ ঃ ২০১৫ গী আগষ্ট ৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমা সাইন তৌনখ্রবা মরম্না রিজোলুসন অমা পুরক্লবা শোয়দনা হোৎনরগনি হায়বগী মতাংদা নাকল অনীগী মায়কৈন্দগী খন্নবগী চাংসু থাক ৱাংখৎলক্লি।

এনএসসিএন (আইএম)না মতম শাংনা লৈরক্লবা ইন্দো–নাগা পোলিটিকেল ইসু অসি অথুবা মতমদা নৎত্রগা মতম খরা থিন্থুরগা অরোয়বা ৱারেপ অমা পুরক্লগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈরে হায়রি।

ইন্দো–নাগা পোলিটিকেল টোক্সকী কন্সল্টেটিভ মীটিং অমদা ৱা ঙাংলদুনা মীফম অদুবু শিনখিবা এনএসসিএন / জিপিআরএন ফোর্ম রিজনগী কাঙবুনা মখা তানা ফোঙদোক্লদুনা এমআইপি কিলোন্সর ভি হোরামনা নাগা পোলিটিকেল ইসু অসি য়াম্না নৌনা অমুক তঙাইফদনা লোয়শিন্দবা য়াদবা অমা ওইরে। মরম অসিদগী হৌখিবা চহী অনিসিদা লোয়শিন্নবা অচৌবা খোঙথাং কয়া নাকল অনীমক্তগী লৌখৎলি হায়খি।

ইন্দো–নাগা ৱারী শান্নবগী মওং অসি হৌজিক য়াম্না পোজিটিভ ওইবা মওং অমদা চত্থরি। নাকল অনীমক্লা অরোইবা ফিরেপ অমা লৌনবগীদমক হান্না লৈরম্বা মরী অদুদগী হেন্না লুম্বা মওং অমদা লাক্লে।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাং দা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি নাগাশিংগী মরক্তা লৈনরিবা ৱারী অসি লোয়শিনবা ঙমদনা শাংদোক্তুনা লাক্লি অমসুং মসি য়াম্না মুন্না খঙলবা মতুং নাকল অনীমক্তগী য়ান্নগদবা মওংদা খর খরা লৈথোক্লরগা নাগাগী ইসু অসি অরোইবা ফিরেপ অমা পুরকপা য়াগনি হায়বগী লংলা–লংজিন পীবা ৱাফমশিং নাগাশিংনা পীশিনখ্রে।

ফ্রেৱার্ক এগ্রিমেন্ট হায়বসি য়ান্নবা অমা পুরক্লবগী য়ুম্ফমনি হায়না ভি হোরামনা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়া অমসুং নাগাশিং অসি তোঙান তোঙানবা এন্টাইটি অনী ওইনা পুন্না অদুম্মক হিংমিন্নবা য়ানবা থৌশিল অমা পুথোক্লি। গভর্নমেন্ট ওফ ইনিদয়ানা নাগাশিংগী অপুনবগী শক্তম অদুগী মতাংদা আইনগী ওইবা হক কয়া অমা মশানা হান্না শক খঙদুনা লৈরবনা মর্জর গী মতাং অসি য়ান্নবা পুরকপা ঙম্লোই। দিমোক্রেসিগী ওইবা প্রোসেস অমনা নাগাশিংগী পোলিটিকেল রাইটশিং অদু খঙননবা থৌশিল অমা পায়খৎপা মথৌ তাই হায়খি।

নাগাশিংগী হকশিং অদু কন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ইনিদয়াগী সিক্যুরিটিগী মীৎয়েং অসিসু লায়থোকপা য়াদবা হীরম অমনি। মসিগী মতাংদা ফোম পিপলস কাউন্সিল (পিপিসি) গী চিঙান ফোমনা এনএসসিএন / জিপিআরএন অনীগী ৱা খন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়বসিদা থাগৎপা ফোঙখ্রে।

লমায় ১ গী মখা

সঙাই ফেষ্টিভেলদা হেন্দলিং চার্জ লৌদনবা এয়ার ইন্দিয়াদা হায়জখ্রে

ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মীফমদা তোঙান তোঙানবা সব–কম্মিটি তরুক কন্সটিট্যুট তৌবদা অয়াবা পীখ্রবনি।

কম্মিটিসিং অদুদি প্রোগ্রাম সব–কম্মিটি, এক্সিভিসন সব কম্মিটি, কলচরেল সব কম্মিটি, পব্লিসিটি সব কম্মিটি, ট্রান্সপোর্ট সব কম্মিটি অমসুং রিসেপ্সন সব কম্মিটিনি।

মীফম অদুনা গোল্ডন ম্যান্মার এয়ারৱেগী য়ামদ্রবদা চার্টর ফ্লাইট অনী সার্ভিস তৌহন্দুনা ম্যান্মার, চিনা, ভুটান, বংলাদেশ অমসুং নেপালনচিংবা লৈবাকশিংদগী টুরিষ্টশিং পুরনবা হায়নসু ৱারেপ লৌখিবনি।

উখ্রুলগী থৌদোক্কী ওফিসিয়েল রিপোর্ট ফংদ্রি ঃ কিরেন

অসি তকথোক্লবগী মতাংদা য়ান্নৱারোল সহি তৌনখিবা অদু করি থাক্তা লৈরিবগে হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়, হৌজিক ম্যানমার অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা য়াম্না অফবা মরী লৈনরি। মসি হান্নদগীসু লৈরক্লবনি।

সেক্যুরিতি ওপরেসনগী মতাংদা মফম অসিদা থোইনা ফোঙদোক্লিং দে। তৌবতবু এন্টি ইন্দিয়া এক্টিভিটি অসি ম্যামনার মনুংদগী প্রোমোট তৌরক্কনি হায়বা থাজদে।

ম্যানমারগী দেমোক্রেসি লুচিংবী ওন সান সু চি হন্দক্তা লাক্লম্লে। মসিগী মমাংদা মখোয়গী প্রসিদেন্ট লাক্লম্লে। হৌজিক ম্যানমার গভর্নমেন্টকা য়াম্না নক্লবা মরী অমা লৈনরে হায়বা য়াই।

নিঙোলশিংদা হিয়াঙ্গৈ খুদোল তমখ্রে

থৌরমদুগা মরি লৈননা ডাঃ সোরাইশম মনাওতোননা।
থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা লৈশাবী অমদি পাখঙশিং অদুনা লাক্কদৌরিবা মীখলদা ডাঃ সোরাইশম মনাওতোনবু অমত্তা ওইনা শৌগৎপগা লোয়ননা মাই পাক্লবা য়াইফ মঙ্গোলসু পিরমখি হায়রি।

ইম্ফাল সহর মনুংদা অঙাংশিংনা বোম্বুলা অমদি মৈকাপ্পী থাদুনা শান্নবা

লমায় ১ গী মখা

দেসামগী প্রসিদেন্ট য়াওনা থৌমী ৫ পুলিসনা তমথিনা ফুরকপদগী লায়কন্নখ্রে চেন্নবশিং দন্দি পীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি ঃ দেসাম

করিগুম্বা লৌখৎত্রবদি মথং নুমিৎ নভেম্বর ৫ দগী দেসামনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

এময়ুগী ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওরগা দেসামগী কলেজ অমদি হায়র সেকেন্দরিগী মীখলদা মায় পাকখিবশিংবু ওকপগী থৌরম অমা এময়ুগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা অদুদা মহৈরোই খুজোক খরা অমদি পুলিসনা চত্থরকখিবা থৌওং অদু এময়ু ওথোরিটিগী করম্বা অরোনবা এজেন্দানো, মসি কৈদৌঙৈদসু দেসামনা তুমিন্না লৈথোক্লোই।

পাউগী মীফম অদুদা ফিভম থিনা শোককপদগী লায়কন্নরিবা দেসামগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম অঙম্বনা হায়, কলেজ অমদি হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা মায় পাকখিবা দেসামগী কেন্দিদেটশিংবু ওক্লবগী শীনখিবা থৌরমদা মহৈরোই খূজোক খরনা থিংননবা হোৎনখিবা অমদি পুলিস য়াওশিল্লক্তুনা পামদবা থৌদোক থোকখিবা অসি কন্দেম তৌই। ঙরাংগী থৌদোক অদুদা শোকখিবা পুলিস পার্সোনেল অদুগীদমক্তসু দেসামনা অৱাংবা থাক্তা নুংঙাইতবা ফাওই। অদুবু থোকখিবা থৌদোক অদু এময়ুগী মহৈরোই অপুনবশিংগা দেসামগা থোকখিবা নত্তে, মহৈরোই খূজোক খরগা থোকখিবা থৌদোক্লি। মখা তানা মখোয় ৫ বু শিংজমৈ পুলিসনা ফাদুনা ক্রিমিনেল অমদা ফাওবা চত্থদবা মওংদা মীৎ পুনশিন্দুনা য়াম্না মীনুংশি খঙদনা শা–ষনদা ফুবদৌনা ফুরকখিবা থৌওং অসি লেম্না তোক্লোই। চেন্নরিবশিং দন্দি পীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রজাগী সেন্টিমেন্টপু রাজনিটিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা পোলিতিসিয়ানশিং দন্দি ...

ষ্টেট অসিদা সিচুয়েসন ফত্তবা মরম ওইরগা লম্বী থোংগী ফিভম হায়নিঙাই লৈতনা ফত্রে। ষ্টেট অমদা সিচুয়েসন্না ফত্রবদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা করিসু তৌবা ঙমদে। সাসন পায়বা হায়বসি কন্সটিট্যুসনগী চৎন কাঙলোনগী মখাদা চত্থবনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনি অসি পুন্না চৎমিন্নবা তাই।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা থবক অমা সেঙ্কসন তৌরবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মদু নিংথিনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফত্রবদি নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী অফবা থবক কয়া তৌরবসু মদু মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙম্লোই।

হৌজিক বি জে পিদা চহি ৫গী সাসন পায়নবগী খুদোংচাবা অমা লাক্লে। মসিগী খুদোংচাবা অসি মাঙখিবা তারবদি অতোপ্পা চহি ৫ অমা অমুক ঙাইবা তাবনি। বি জে পিনা মণিপুরদা মমাংদা সাসন পায়বগী খুদোংচাবা অমুক্তা ফংখিদ্রি। মমাংদা এম এল এ লৈখ্রবসু মীয়াম্বু সেবা তৌবগী খুদোংচাবা ফংদ্রি।

হৌজিক বি জে পিনা মণিপুরদা সাসন পায়বগী খদোংচাবা অদু লাক্লবনি। মোদিনা মণিপুর অহোংবা লাকপা পাল্লবসু করিগুম্বা মণিপুর মীয়াম্না কংগ্রেসপু অমুক হন্না সাসন পায়নবা খল্লবদি মদুগী কান্নবা ফংবা ঙম্লোই।

সদর হিলসতা বি জে পিগী এম এল এ অহুম পীগনি হায়বসি অচেৎপা থাবা লৈ। মণিপুরদা সেন্ট্রেল ফোর্স কয়া দিপ্লোয় তৌরি। দেমোক্রেসিদা হিংসাগী মফম লৈতে। শান্তি লৈরবদি প্রজাশিং অদু চাউখৎপা ঙমগনি।

গভর্ণমেন্ট অমত্তনা মীয়াম মরক্তা সেক্যুরিতি থাজিনবা পাম্বা নত্তে। অদুবু মীয়ামগী সেক্যুরিতিদা অকায়বা লাকপগী ফিভম লাক্লবা, মীয়ামগী মহৌশিগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবগী ফিভম লাক্লবদি মতম অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থাজিনবা হায়বসি হৌনশানি।

মসি নত্তবা মতমদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অসি বেরেক্তা লৈহনফম থোকপনি। লৈবাক্কী লানগী ফিভমদা লাকপা তারবা,ইন্টর্নেল সেক্যুরিতিদা শিংনরবা, জাতি অসিদা শিংনরবদি সেক্যুরিতিশিং অসি থোরকপা তাবনি।

মণিপুরগী মেইনষ্ট্রিমদগী থৈদোক্লগা চৎখ্রবা নহাশিং অসিনা চাউখৎপা খুন্নাই অমদা চৎনগদবা অফবা খোঙথাংগী ৱাংমদা থবক তৌরি।

ইন্দিয়ানা নিংতম্লকপা মতমদা মণিপুরদি নিং তমদুনা লৈরম্লবনি। হৌজিক ইন্দিয়াদা তিল্লে। জাতি অমা ওইনা লৌদুনা চংশিনবা তাবনি। অদবু হৌখিবা চহি দিকেন্দ কয়া অসিদা জাতি কাঙলুপ মশেল মরক্তা ভাব তান্নদবা অমসুং সাসন লৈতবা ফিভম কয়া উরক্লি।

কংগ্রেস পার্টিনা অফবা থবক তৌরম্বদি য়াই অদুবু মখোয়না নোঠ ইষ্টকী মীয়ামগী অৱাবা খঙবীদনা লাক্লি।

নোঠ ইষ্টকী অপীকপা ইশু অমসুং অপীকপা ষ্টেটশিং অসিনা অচৌবা প্রোব্লেম ওইরকপনি। নোঠ ইষ্টকী মীয়ামগী খোল্লাউ তাবীদবা মতমদা মখোয় নিংবা কায়বা অসি হৌনশানি। অদুবু হিংসানা ৱারোইশিনদি পুরক্লোই। অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা অসিগুম্বা মালেমগী লৈবাক অমত্তদা খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপ ৫০দগী তাদনা লৈরি।

মখোয়শিং অসি খুৎলায় থাদোক্তুনা মেইনষ্ট্রিমদা লাকহন্নবা আপীল তৌবা তাই। ফজরবা নোঠ ইষ্ট অসি ঙসিদি মিলিটেন্সিগী ফৎখিদ্রবা মচু অদুনা থিহল্লে হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভাবানন্দনা হায়, লমদম অসিদা থোক্লিবা মুক্লবা কয়া অসি ৱারোইশিন পুরক্লবা লম্বী থিবা তাবনি। মসিদা বি জে পিনা শোয়দনা লম্বী পুথোক্কনি।

মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা মীয়াম্না পার্টিদা থল্লিবা থাজবা অসি মাঙহন্দনবা হোৎনবা তাই। ঙসিদি বি জে পি নত্তনা কংগ্রেসগী মহুৎ শিনগদবা পার্টি অতৈ লৈতে। বি জে পিদা ভোট পীদুনা মীয়ামদা অফবা সাসন মহাউ তংহল্লসি হায়খি।

ষ্টেট ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিতিগী কনভেনর টি ঐচ চাউবনা হায়, লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা সাসন পায়দুনা শোয়দনা মীয়ামগী সেবা তৌগনি। মীয়াম্না কংগ্রেস পার্টি সাসন অসি দিজিট অমদা চিংথরগনি। কংগ্রেস সাসনগী অশোয়বা কয়া অসি য়েংলগা মখোয়বু পারা তম্বীরসি।

চীং তমগী খেন্নবা ৱাখল লৈহন্দনবা অমসুং কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবগী হু কামশিল্লিবা কংগ্রেস পার্টি অসি মুখত্তুনা বি জে পিগী সাসন লৈহল্লসি হায়খি। হৌজিক কংগ্রেস সাসনগী মখাদা চীংদা লৈঙাক সাসন লৈত্রে হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী ষ্টেট ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিতিগী মেম্বর এন বিরেন, জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমসুং পার্টিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

ইম্ফাল পব্লিক লাইব্রেরিগী অনৌবা শঙলেন শঙ্গাখ্রে লাইব্রেরিদি মহৈগী পুক্কেনি, মহৈগী লাইশঙনি ঃ ইবোবী

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা পূম্নমকপু অরিবম বালকৃষ্ণ শর্ম্মনা থাগৎ ৱারোলশিং ফোঙদোকখি। নীংশিংবা য়াবদি মতম অমদা হৌজিক্লা মুখৎখ্রবা তোম্বীসনা হায়স্কুলদা ‘ইয়োর হায়স্কুল’ হায়না কৌরিঙৈদা ইম্ফাল পব্লিক লাইব্রেরি অসি ‘খ্বাই পব্লিক লাইব্রেরি’ হায়দুনা ইং ১৯৩৮ দা লিংখৎলগা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মতুং ইং ১৯৪৭ তগীদি ইম্ফাল পব্লিক লাইব্রেরি হায়না মিং ওন্দুনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লিবনি।

লাইব্রেরি অসিগী লম হান্না গভর্নমেন্টনা নাগামপালদা পীরম্বনি। অদুবু নাগা নালা প্রোজেক্ট লাকপদগী তকথোকপদা য়াওখিবনি। মসিগী মতাং দা কোর্টতা শোক্লখিবা লাইব্রেরিগী লমগী কেসতা লাইব্রেরিগী মায়কৈদগী গভর্নমেন্টনা শেল ওইনা পীরগে হায়বদু লৌজরোই। লাইব্রেরি শানবা লম ওইনা পীবীয়ু হায়না হায়জদুনা লাকখিবনি।

YUMBI Kanglup
Presents

নাওরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্রগী বিজেপিগী মীরূপ ওইনবগী শেম শারিবা মনাওতোন না মেকোলাগী নিঙোলশিংদা নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা খুদোল তম্বা